পি এম নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা হাউসতা থমখিবা ৱাফম পেন্দে : মালেম থোঙাম

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ২২দগী ঙসি ফাওবা ট্রান্স জেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামনা মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকউ হায়না চঙশিল্লকখিবা তোঙান তোঙানবা খোঙজংসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী হেদ ওফিস থম্বাল শঙলেন্দা পোইন্ট মরি য়াওবা মেমোরেন্দম অমা বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট এ শর্দাদা খূৎশিন্নখ্রে।

মেমোরেন্দম অদুদা মালেম থোঙামনা মণিপুরগী লান থা ১৪ হেঞ্জিল্লক্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাক্না মতিক চাবা অমদি ইফেক্টিভ ওইবা রেস্পোন্স পীবা ঙমদবননি। মণিপুর মচা অমা ওইনা লমদমসিদা তংদু লৈতাবা অমুক হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা তৌবা য়াবা অমদি মথৌ তাবা খোঙথাং কয়া লৈ হায়রি।

অহানবদা মণিপুরগী বি জে পি লৈঙাকসিনা পি এম মোদিবু ইনভাইট তৌদুনা তংদু লৈতাবা হঞ্জিল্লক্লবা প্রোসেসতা মায় ওনশিলহনবা, অনীশুবদা মণিপুরগী টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা কুকি এম এল এ ১০সি ফম লৌথোকপা, অহুমশুবদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা অথুবা মতমদা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্না অপূনবা মীফম কৌদুনা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ইস্যুসি করম্না লোইশিনগদগে খন্নরগা মসিদা লৌরকপা ৱারেপ অদু মীয়ামদা খঙহনবা অমসুং মরিশুবদা জুলাই ৩দা পি এম মোদিনা মণিপুরগী ঈরাংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদু মীয়াম্না অপেনবা ওইখিদে। ৱাফম অদুনা মণিপুরদা অৱা-অনা তারবশিংগী ফীভম ফগৎহনবসু নত্তে। মরম অসিনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্টনা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরম লৌখৎপীয়ু হায়খি।

মেমোরেন্দম পীশিল্লুরগা থোরকপদা পাউমীশিংগা উনবদা ট্রান্স জেন্দর সোসল এক্টিভিষ্ট মালেম থোঙামনা বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্টনা মরী লৈনবশিংগা মেমোরেন্দম অদু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং লৌখৎকনি। পোইন্ট মরি অদুগী মনুংদা য়াওবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্না অপূনবা মীফম অমা ফম্মিন্নদুনা ঈরাংসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শানবা হায়বসিদি অথুবা মতমদা পাঙথোক্লবা শেম-শারে হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়খি।

মীতৈ ময়েক চাংদম্নবগী থৌরম কুমসি চহীগী পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইরে : মীলাল

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : মীতৈ ইরোল ইয়েক লোয়নশিল্লোল অপূনবা লূপ (মীলাল) কংলৈপাক্কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সোইবম অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা মীলালনা লমদমসিগী লোল অমদি ময়েক চাওখৎনবা হোৎনবগী ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না কুমজা খূদিংগী মহৈরোয়শিংগী ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী ওইনা লৈবাক্কী থাক্তা মীতৈ ময়েক চাংদম্নবা কুমসি চহীগী ওইনসু লাক্লিবা জুলাই ১৪, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা জিরিবাম য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট তরুক্তা পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইরে হায়রি।

চাংদম্নবা অসিদা য়াওগদবা মহৈরোয়শিংগী এদমিট কার্দ স্কুলশিং নৎত্রগা মীলালগী ময়াই লোয়শঙদগী লৌবা য়াগনি। চাংদম্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎসিদা লমদমসিদা লৈরিবা লূপ নৎত্রগা মীওই অমত্তনা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবীদনবা হায়জবগা লোয়নননা লমদমসিগী সিক্যুরিটি ফোর্সতা লৈরিবা খূদিংমক্নসু লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা লোল ময়েক চাওখৎনবগী মীলালনা চঙশিল্লিবা থৌরমসিদা মতেং পাংবীয়ু।

চাংদম্নবা অসিগী মকোক-মথং তারবশিং লাক্লিবা ওগষ্ট ১০ ফাওবগী মনুংদা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াশিংদা রিজল্ট লাউথোক্কনি। মসিগা মান্ননা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৮দা মীলাল লিংখৎখিবা চহী ২২ মপুং ফারকপগী কুমওন থৌরমদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোক্কনি হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারি।

লিলোং তুরেল অহনবীগী হেলাল খোংগী দাম শাবা কন্ট্রেক্টর এক্সন লৌখৎলু : ঐচ ৱাই সী

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : হঙ্গামথাবী য়ুথ ক্লব (ঐচৱাই সী) কী জেনরেল সেক্রেটরি এম দি য়ুনুস খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা লিলোং তুরেল অহনবীদগী লিলোং করাম্পাৎতা লৈবা লৌকোলশিংদা ঈশিং থাদোক-থাজিন তৌরিবা হেলাল খোংদা শাবা দাম অসি শাবদা নীংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরমদ্রে হায়রদুনা দাম অসিবু শাখিবা কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

দাম অসি শাবা মতমদা নীংথিনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌদুনা শাখিদবদগী হন্দক লমদমসিদা থোকখিবা ঈশিং-ঈচাও অদুদা তুরেলসিগী ঈমায় হেনগৎলকপদা খোং অসিদগী ঈশিং চঙশিল্লক্তুনা করাম্পাৎ লৌকোলদা লৌ পরি কয়া ঈশিং থুমজিলহনখ্রে। লোয়নননা ফার্ম কয়া অমসু ঈশিং থুমজিনখিদুনা য়াম্না চাউনা অমাঙ-অতা থোকখ্রে হায়রি।

হৌজিক-হৌজিক ঈশিং থুমজিন্দুনা লৌ উবা য়াদনা লৈরিবা লৌফম অমদি মাঙ-তাক্লবা ফার্মশিং অসি লৈঙাক্না য়েংশিনবীয়ু অমসুং দাম অসিবু শাবদা য়াওরিবা কন্ট্রেক্টর অমদি ইঞ্জিনিয়রশিংবু মরী লৈনবশিংনা চৈরাক পীবীয়ু। দাম অসিদগী য়ুথরক্তুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা লৌ পরি কয়া লৌ উবা য়াহন্দবা অসিনা লৌফমশিং অসিদা মপান তাঙদুনা হিংজবা লৌমীশিংদা অচৌবা অৱাবা পীরে। ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিনখিবা অসিনা মতম চঙনা অমদি শেল চঙনা থাখিবা মনা-মশিং কয়া মাঙ-তাকহনখ্রে। মরম অসিনা হেলাল খোংগী দাম অসি অমুক নৌনা শাবীবা নৎত্রগা শেমজিনবীয়ু হায়রি।

মতমগী মমল খঙনা লিক্লা শীজিন্নবা মীতনা পূন্সিদা মায় পাকপা ঙমগনি : কে ঐচ মেঙ্গোর

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : হোৎনবা কনবা অমদি মতমগী মমল খঙনা লিক্লা শীজিন্নবা মীতনা পূন্সিদা মায় পাকপা ঙমগনি। মসিদা নত্তনা ঐখোয় পূন্নমক্না লৈঙাক্কী থবক খত্তবু করিয়রনি হায়না খনবগী মহুত্তা ঐখোয় খূদিংমক্না ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিপ্পুসু মরু ওইবা করিয়র অমনি লৌফম থোকই হায়না কে এম ব্লুমিং স্কুলগী ফাউন্দর কে ঐচ মেঙ্গোর মঙাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি চৎলিবা একাদেমীক সেসন ২০২৪-২৫গী ওইনা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, খাঙবোক্তা নৌনা ক্লাস এলেবেন সাইন্সতা মিং চল্লক্লবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা পেরেন্টস মিট কম কাউন্সেল্লিং প্রোগ্রাম অমা স্কুল অসিগী এসেমব্লী হোলদা পাঙথোকপদা কে ঐচ মেঙ্গোর মঙাংনা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীবদা ফোঙদোকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুদা স্কুলসিদা মিং চল্লকখ্রবা মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী পেরেন্টশিংনা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অদুদা থৌরম মপু ওইখিবা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. রোমেন কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় খূদিংনা য়াম্না ফবা করিয়র অমা তান্নগে খল্লবদি ক্বালিটি লৈবা অমদি নত্তবা পান্থে য়াওদনা এগজাম থাবা লোয়নননা নীং-খা তম্না অকিবা য়াওদনা চথবা মহৈ-মশিং তম্বগী কাঙলোন অমা তঙাইফদে। মসিগীদমক মহৈরোয় খূদিংমক্না পূকচেল শেংনা হোৎনবা চঙই হায়খি।

থৌরমদুদা করিয়র কাউন্সেল্লিং ঐচ রাজেন, প্লেসমেন্ট ওফিসর নৈলিটনসু মহৈরোয়শিংদা মরু ওইবা ৱাফমশিং থমখি।

'ইশা কঞ্জনবা অমদি নাৎকীদমক মার্সেল আর্টকী সবজেক্ট তমগদবনি'

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : ইশা কঞ্জনবগী অমদি কলচর য়োকখৎনবগীদমক মার্সেল আর্ট অসি সবজেক্ট অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা শোয়দনা তমগদবনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. চিরোম রাজকেতননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ভোলন্টরি গ্রুপ অমা ওইরিবা ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপকী তরেৎশুবা মপোক কুমওন থৌরম চিঙারেল তেজপুরদা লৈবা সক্সেস স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীবদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপকী কনভিনর অমদি সক্সেস স্কুলগী প্রিন্সিপালসু ওইরিবা ডা. টি ঐচ সুনিল দেবনা থৌরম মপু অমদি কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম অশিকুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী উমংলাই হরাওবা দিপার্টমেন্টকী ঐচ ও দি এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ঙানবী লৈমা, জেনিমস ব্লদ সেন্টরগী সিনিয়র মেদিকেল ওফিসর ইন-চার্জ ডা. কোন্সম সুর্জিৎ অমসুং কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎ মঙাংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা হন্দক হায়দোকখিবা কোসেমনা লৌবা ট্বেল্ভ ক্লাসকী এগজামদা এম আই এল (মণিপুরী), থাঙ-তা অমসুং ম্যুজিক সবজেক্টতা মার্ক খ্বাইদগী য়াম্না ফংলকপশিংদা সর্টিফিকেট, মেমেন্টো অমদি লেংয়ান পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অনা-লায়েংদা ঈগী অৱাৎপা লৈতনবগী ৱাখল্লোন দা ব্লদ দোনেসন কেম্পতা ব্লদ দোনর ওইরকখিবা দোনর ১১২ দসু মেমেন্টো, সর্টিফিকেট অমদি লেংয়ান পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ঈ-পাউ তেংবাঙ লূপকী কনভিনর ডা. সুনিল দেবনা হায়খিবদা, ভোলন্টরি গ্রুপ অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৭তগী হৌদোকখিবনি। লূপসিনা অঙন্বা শেনখায় পুথোক্লদুনা মতেংগী মথৌ তারবশিংদা তেংবাঙদুনা লাক্লি। কোবিদকী মতমদসু লূপসিনা তোঙান তোঙানবা মফমদা মতেং পাংখি। চাং নাইনা ব্লদ দোনেসন পাঙথোক্তুনসু লাক্লি হায়না ফোঙদোকখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯹ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ) : [illegible]

জান্ধো লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৯ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর নুপী মরুপকী মতম কুইনা লুচিংবী ওইরম্বী অথোকপম জান্ধো (৭৭)না হৌখিবা জুন ২৬তা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর নুপী মরুপনা ইরাবত ভবনদা মীফম পাঙথোক্তুনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শখিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN
'MANIPUR' OPTIONAL
For UPSC Exam 2025
■ CLASS STARTS: 10-07-2024 ■ TIME: 4:00 PM - 5.30PM
GENERAL STUDIES (PRELIMS)
For MPSC/UPSC CIVIL SERVICES EXAM 2025
■ CLASS STARTS: 14-06-2024 ■ TIME: 3:00 PM - 5.30PM
GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
For the forthcoming RRB,CGL,IBPS,SBI RBI,CHSL Examination
■ CLASS STARTS Date: 10-07-2024 Time: 3.00PM - 5.30PM
Proactive Academy
of Competitive Examinations (PACE)
For a Bright Future
[illegible]
F.B. Proactive Academy of Competitive Examinations
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL ✆: 9206319209
HL-B/8844/13/6-11/7

থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

ঐখোয় হৌজিক ফিরেপ হোংবা চুল্লবরা?

ওপ্পোজিসন এল্লায়েন্সনা ১৮শুবা লোক সভাদা মণিপুর-ইস্যুগা মরী লৈননা তূমীন' থোঙ লোনশিন্দুনা লৈখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টরগী থোঙজাওদুদা কাওশিল্লকপা, মরু ওইনা, মহাক্না তূমীৎ-কাঙগুম উরুবা মণিপুরগী এম পি বিমোলনা ময়াদা মৈ হৌবা চীংলাই অমা ওইরম্বদ্দগী, তূমিন লৈবা ঙল্লক্তবা মোদিনা লোক সভাদই চেনখ্রবা রাজ্য সভাদা মণিপুরগী মতাংদা ৱা ঙাঙখরে। পূম্নমক্না খঙনরে। মিনিট মরি মঙাখক ঙাঙখিবা ৱাদুদা করি হায়রিবা? তাদবা কনা লৈরিবগে! অমুক হঞ্জিন্না ইদুনা 'কোল্লম-স্পেস' মাঙহল্লগুমসি।

বিমোল অকোইজমনা হায়খিবা, অমদি নরেন্দ্র মোদিনা খুমখিবা-অনীদুগী মচঙ ওইবা ৱা অদু মণিপুরগী মীয়াম মরকসিদা মান্নদনা ৱাহন অনী থোক্লা হন্নবা কাঙলুপ অনী লৈ। মোদি-জি'বু থাজজবা, প্রো-বি জে পি; অমসুং মোদিগী মতৌসিবু য়ানীংদবা, এন্টি-বি জে পি। অহানবগী মীওই কাঙলুপ অসিদি মোদিগী মতৌ অসিদা ফনমক য়ৌনা পেন্দবা, য়ানিংদবা লৈরসু চীনবান কাঙবা ঙমদবা, মাগী ৱাহৈ খূদিংমক লাইমক্কী য়াথংনি খঞ্জরবা কাঙবুনি। করি অমুক হায়গনি মখোয় পূম্নমক্কী লুচিংবা, ঐখোয়গীসু নিংথৌ ওইরিবা, কনবদই কল্লবা মহাকসু, মঙোন্দা ৱাকৎপদি হায়রুনু মায় মায় ওনশিন্ননা ফম্মিন্নবফাও ঙমদবনি। থা তরামরি শুরবা তমথীরবা লান মনুংসিদা মহাক্না ৱারী শাননবা এপোইন্টমেন্ট অমুক্তফাও লৌরুদে- ফোঙদোকচরকখিবদুনি মচীনমক্না।

ৱারেং অসি ই'সু ইরল্লোইদবনি। হীরমসিদা তোয়মনখ্রে, তোক্লগে খল্লুরবসু, কলম পায়দুনা হেক ফমথরুবদা কদোমদইনো খঙহৌদবা ৱাখল অমা শৎ হেক্তা পাইশিল্লকই, কলম মমায় লৈহনখি। ঙসিসু থোক্লে মদুমক। চপ য়ুংনা নীংখিবা ৱাখলদুবু নমহৎ'ঙম্বা মেসেজ অমা ঐগী ফোনগী 'হ্বাটচএপ'তা, বি জে পিগী কার্যকার্তা অমনি খন্না চাউথোকচবা মরুপ অমনা থারকখি। মেসেজদুগী ৱারোলনি... 'মণিপুরগী ইস্যুদা মোদি ৱা ঙাঙদে-কনানা হায়রিবনো... ৱাথোকসি হৌরকঙৈদগী ঙসি ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মণিপুরগী মতাংদা অহুল্লক ৱা ঙাঙখরে... পার্লিয়ামেন্টকী নো কনফিদেন্স মোসনদা অহানবা, লাল কিল্লাদগী ইন্দিপেন্দেন্স-দে-স্পিচ'তা অনীশুবা, কোংগ্রেস এম পি অহুম্না লোক সভাদা নৈবদগী তূমিন লৈবা য়াদদুনা রাজ্য সভাদা ঙাঙলকখিবদুনা অহুমশুবা...'। অহুল্লক ঙাঙখিবা ৱাদুদা করি করি হায়খিবা, ৱাহৈদুগী ইম্পেক্ট লমদমসিদা লৈখিবরা? মদুমদি পল্লক্তে। অহুম্মক ঐ তাহৌই। কমদৌনা/করম' পনখিবা, করি করি হায়খিবা? লৌবা য়াবা করিনো? খন্ননীংঙাই/নৈননিংঙাই লৈতবনা হায়রক্তবনি। মচেৎ অমত্তং য়াওরম্লবা... পি এমগী পৃথিবী ফাওরবা মৌন-ব্রত, অদুপ মমিং চৎলম্লোই মফম খূদিং পুথোক্তুনা ঙাঙলম্মি। মরু ওইনা, মণিপুরগী ময়া-কাবা-খনখ্রবা বি জে পিগী এম এল এ অমসুং থৌমীশিং, মচিন মেনবা ঙল্লম্লোই। সেন্ট্রেল ফোর্সকী চিংনিংঙাই ওইবা মরমচৎ, মীচঙ-মীখায় নাইবা মতৌ অমসুং মহাক্কী ৱা ঙাঙদবা মতৌদুনা মরম ওইরগা মণিপুরগী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনগী ইতিহাসতা রেকোর্দ তৌবা মওংদা, কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা রুলিং-এল্লায়েন্স-পার্টি অনীমক্কী মীরেপশিং চঙ ফংনা মায়থীখ্রিবনি। মায়থীবদুনা পাড়া ওইরগা, শোয়খ্রবা খোঙথাং চুমথোক্কে, ঈরাং অসি নেমহনগে, অরানবা তৌবা ৱারক্কে- খন্দে ঙসিগী কোরৌসিদসু। পার্টিসিগী লুচিংবশিং, মিনিষ্টরশিংগী ৱাঙাংদা মমি তাবনি, শাগৎপা নত্তে ৱাখলনা।

নুমিৎ নীনি চথুবা, প্রসিদেন্টনা পীবা ৱারোল থাগৎপগী ৱা খন্নবগী ইরোয় লোইবা ৱাঙাংলোই ওইনা, তেল্লবা মতম (মিনিট নিপানখক) পীদুনা ঙাংহনখিবা মণিপুর-ইন্নর-কন্সটিট্যুএন্সিগী মীহুৎ, বিমোল অকোইজমনা অহিং নোংয়াইদা ঙাংখিবা ৱাঙাং অদুবুদি মণিপুরগী বি জে পি-লুচিংবশিংনা হুল্লদুনা ঙাঙলক্লি... 'মণিপুর-ইস্যু অসিগী মচঙ ওইবা ৱাফম কয়া, অমত্তসু পল্লমদে... বিমোলগী পার্লিয়ামেন্ট স্পিচ নীংবা কায়নীংঙাইনি'...।

ঈরাং অসি হৌখ্রব'তুং থাবুম তরাহুমদোই চুপ্পা লমদমসিদই এম পি ওইনা চৎখিবা, মিনিষ্টর ওইনা ফমখিবা তম্ব'দুনা করিমত্তা ঙাংখিদবা, মপাং ওইবা পার্টিগী এম পি অমসু, মখোয়মক্কী পার্টিগী মেম্বর অমা রাজ্য সভাদা ফল্লিবদুসু থওইনা নমশিন'-থমখিবা থৌওংদুনা পেন্নীংঙাই/থাগৎনীংঙাই মশক্লি হায়রিবরা? মসিমদি ঐ চমম্লে। অসিগুম্বা চমম্নবা থৌওংসিনা, হন্দক লোক সভা মীখলদা রুল্লিং এম এল এ/মিনিষ্টরগী মৱা লৌদনা ওপ্পোজিসনগী মীরেপ্তা পাক্তন্না ভোট পীখিবগুম, টর্ম তঙ্খায় চনশিল্লক্লবা, চহী অনী মখায়রোমতা ঙায়শিল্লক্লবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখলদসু সরকার পায়রিবা বি জে পিবু মীয়াম্না রিজেক্ট তৌরকপা- অঙকপা ওইনা থোক্লরোই। হায়নরিবনি ঙসিসু, মতমদুদা বি জে পি খোঙ্গুল মূৎখ্রবা পার্টি অমা ওইরনি।

ইজরিবা ৱাফম খরসি, হায়রকপসু য়াই, নাকল অমই মীৎয়েংনি। সরকার পায়বা অচৌবা পার্টি ওইরসু, হৌজিকমক্কী ওইনদি মীমাঙদা মরায় লুক্লবা পার্টি অমা ওইবনা, অনৌবা সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী প্রাইওরিটি পীদুনা পায়খৎকদবা অখন্নবা থবক থৌরমশিং পাক্লা শন্না খঙননবা লাউথোক্তে। তাবদি তায়- অনৌবা লৈঙাক অসিগী অহানবা নুমিৎ চামনিগী মনুংদা পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা 'মণিপুর-ৱাথোক লোইশিনব'সু অমনি। চহী তরাগী মমাঙ মোদিগী অহানবা লৈঙাক্কী 'হন্দ্রেদ দেজ প্রোগ্রাম'দা-মণিপুরদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লীংবই থৌরাং য়াওখিবনি। চহী তরা হৌখরে। উতাংবীগুম, নপচ-তাঙজ তৌদুনা হাংবদি হাংলে মমিংগী। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী 'য়াইথিবী লৌকোল', মফম চায়/চাদে য়েৎনদুনা 'সেঞ্জম-চিরাং, কৌত্রুক'তা হোংদোক্লমদ্রবা, শেমগৎ-শাগৎ থবক্তা কুকিশিংনা য়েত্তুনা লোইশিনবা ঙমদ্রিবসি লোইশিল্লম্বা য়াই নহান্না। বৈজিং স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি- মোদেলদা ৱর্ল্ড-ক্লাস-প্লেয়র পুথোকপগী পান্দমদা লিংখৎখিবা, মণিপুরগী 'নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি'- কৈদৌঙৈ প্লেয়র পুথোকপা হৌগনি? কনানসু হায়বা ঙমদে। থা তরামরি চুপ্পা করিমত্তা তৌদনা/করিমত্তা হায়দনা, নাকল অমই মীচঙ লেপ' অউ-অউ হাৎনহল্লুরগা, নুমিৎ চামই মনুংদা ঈরাং নেমথহনগনি- থাজবা ঙম্মি কনানা! মণিপুর মচেৎ তাহন্দুনা কুকিশিংগী তোখায়বা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা খায়দোকপা, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন লীংবা নত্তবা অতোপ্পা ৱাফম অমত্তদা য়াশিন্নরোই লেপখ্রবা কুকিশিং! অমরোমদা, করিগুম্বা মওং অমত্তদা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়ারোই লাউরিবা মৈতৈশিং ! ঙসিগী থাক অসিদা নাকপাক অনীমক্কী লুচিংবশিং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শাবা ওইথোক্কনি থাজদে। খৎনরিবা কাঙবু অনীনা মাগী মাগী ফিরেপ্তুগী হোংদনা, সনজীংগুম লেপখ্রবা- ওইরকপা য়াবা পোজিবিলিটি অমখক লৈ। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মখূত্তা পায়বা শক্তি শীজিন্নদুনা, কন্সটিট্যুসনগী তরুকশুবা সিদ্যুলগী প্রোভিজন মণিপুরদা চৎনহন্দুনা চীংগী লমদা গ্রেটর ওটোনোমি পীথোকখিবা... বিধান সভা নত্তবা বিধান পরিষদ লীংখৎপা... অসিনচিংবসি লমহেনবা কুকি থেম্নবা, মোদি লৈঙাক্না পায়খৎলকপা য়াবা থবক থৌরম ঙাক্তনি। পূকচেল শেংনা মণিপুর প্রোব্লেম সোল্ভ তৌবা পামদে হায়বগী ময়েক লাবা খুদমদি- হেন্না সিরিয়স ওইশিল্লক্লিবা মণিপুর-ৱাথোক লোইশিন্নবা, পুং অমত্তা ওইরসু মরমদমগী ষ্টেটসিদা তাৎ-পাৎকী খোঙচৎ অমত্তং চৎকে খনবই মহুৎ ফোরেন-টুর তৌদুনা লৈরিবসিনি।

তানফম অসি য়ৌর'দি ঐখোয়সু ফিরেপ অমা হোংবা চুম্লে। ইন্দিয়ন লো নত্তবা 'ঈন্টরনেসনল লো'/'লো ওফ নেসন্স'কী প্রোভিজন মতুংইন্না নীং-তম্বা মণিপুর, ইন্দিয়াগী শরুক ওইখিবগী 'পুনশিন ৱারোল' (মর্জর এগ্রীমেন্ট)- ঙসি, ভেলিদ লিগেল দোক্যুমেন্ট অমা ওইরিবরা? প্রি-মর্জর-ষ্টেটস'তা হঞ্জিলহনবই দিমান্দ- আইনসিনা অয়াবা পীবরা? লিগেল এক্সপার্টতনসি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০৭।২০২৪ ইং, য়ুমশকৈশা;
অয়ুক পুং ৭.৫৩ ফাওবা ইঙেলগী ৪ নি পাল্লি, মতুংদি ৫ নি পাল্লনি।

মেষ: য়েৎনবদা ঙমদবা লৈরোই, থৌরম শীনবা-লাঙবসু হৈগনি, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি, লৌশিংসু থোক্কনি। মী লোয়নবদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা

বৃষ: মায় পাক্লবা হোৎনবদা চুমদ্রিংনা য়ারোই, তাঞ্জা-মেঞ্জা খঙবা তাই। অরাপ্পা চৎপা কান্নগনি, মীয়াম্না ফনা শোন্নে, থাজবা মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংগী- মরী ফগৎকনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: নাপলনা অফবা ময়াম মাঙহন্দনবা নোল্লুক্লা চৎলু। নরল চাওখৎনবা হোৎনবদি চাউনা মায় পাক্কনি, নচা-ননাইগী মতেংসু কান্নগনি।
লৈশা পাখংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

কর্কট: লেঙদবা লন ফংবগী নুংঙাইজবা, পাঙ্গল থোক্লা থৌ পাঙবা ঙম্বা নুমিৎনি। থাজদনা নক্লবনা হুন্দুনা ঙাংগনি, চিন য়াংলুনু, হৈপা শারুনু।
লৈশা পাখংগী- চেকশিন্দ্রদি ইকায়বা নংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

সিংহ: লৌশিং থোকপা ৱাৎলি, অয়েৎপা লৈরসু উপায় লাক্কনি। অনৌবা মরুপ্তুগীসু মতেং লৌবা মতাং চাগনি। শেন্দোং য়াম্না ফংজগনি।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

কন্যা: থবক পাঙগনি, লন ফংগনি, অঙন্বনা চানবীগনি। ৱাখলদি ইথোক থোক্তে অদুনা লৌশিং চাউবা মীগী পাউতাক লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরীদি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

তুলা: ফিংলদি ইমুং-মনুংদা ফাওবা খৎনগনি, পাইরক্কী লৌশিংসু খরা ৱাৎলি, নাইতোম খুদক্তা ৱা তুপকনু। খন্থরদি থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: নথক থোংবনা চাল্লনি, ৱাখলসু থোক্লনি, ওইজবা তানবদা খূৎচাও থাবা য়াররনি। মীনা কায়রক্লবসু খাঙবা কল্লু, নঙগী মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংগী- ৱাখল খরদি নুংঙাইজরগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

ধনু: মীয়াম নত্তনা মীচঙ লৈরোই, মীয়াম্না য়াবা লমচৎ চৎলু। খন্থদনা পংঙাং ঙাংলদি মরুপ কায়নগনি, মরম খঙদনা খূৎ চাউখিনু।
লৈশা পাখংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

মকর: ৱাখল খরদি নুংঙাইজবা, থবক পাঙবা, নচা-ননাইগী লমদা পূক্নিং পেঞ্জবা নুমিৎনি। নীংহন্নগনু, মায় পাকপদি নক্লা লৈরবনি।
লৈশা পাখংগী- থাজনবা খরা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা/চেঙ

কুম্ভ: অরং-অরাক ফংজবা, অনৌবা থৌরমদা পূক্নিং চঙবা হেনবা, হৈনিংবা অমদি অকিবা লৈতবনা থবক পাঙগনি, শেন্দোং চাউনা ফংগনি।
লৈশা পাখংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: নচা-ননাইগী মতেং লৈ, ফরে খনবা থবক্তা কনাগীসু ৱা ঙায়দনা খূৎ থাহৌবনা থিন্দনা মহয় চাগনি। ৱা য়াম্না ঙাংলদি অপঙ তারনি।
লৈশা পাখংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

[illegible]
MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK
P.S.PATSOI, P.O. LANGJING

1. Ist class.	15.00
2. 2nd class.	14.00
3. Reject. I.	12.50
4. Reject. II.	11.50
5. Peti. I.	12.00
6. Peti. II.	10.00
7. Jammat.	10.00
8. 3rd class.	6.00

Contact no.6909236749
Block Machine
HL-B/8844/13/6-11/7